ইন্সানকী খোজ

(মী থিবা)

লেখক
জমনলাল জৈন

হন্দোকপা
মাইবম্ হেরামত সিংহ
শাস্ত্রজ্ঞ, শিক্ষনকলাপ্রবীন,
হিন্দী টিচর, নিংথৌখোং হাইস্কুল।

ও: কে: ষ্টোর
পাওনা রোড

ইনসানকী খোজ

(মী থিবা)

লেখক

ছগনলাল জৈন

হন্দোকচবা

মাইবম্ হেরামত সিংহ

পারংগত, শিক্ষনকলাপ্রবীন,

হিন্দী টিচর নিংথৌখোং হায়স্কুল।

ওঃ কেঃ ষ্টোর

পাওনা রোড

মমল লুপা Rs 5-00

भाई हेरामत सिंहजी,

आपका ता० १५ अप्रैल का कार्ड मिला। धन्यवाद। आपने मेरी पुस्तक "इन्सान की खोज" का मणिपुरी भाषामें अनुवाद किया है, यह खुशी की बात है। आप इसे प्रकाशित कर सकते हैं, मुझे कोई एतराज नहीं। हाँ, कृपा करके इसकी २५ प्रतियां मुझे अवश्य भेज दें।

विशेष कृपा
ता० २७।४।६५ ई०

भवदीय,
छगनलाल जैन

ইনসানকী খোজ

"মী থিবা"

অঙাওবা— (মতোমতা) কদায়দনো ঐহাক্তা লাক্লিবা ! মসিবা য়াম্ন। ফজরবা খুৎশেম হায়বদো ! নত্তে, ঐহাক কাউথোক-তুনা লৈবে······ঐহাক কাউথোক্তুনা লৈরে ! ঐহাক লমঙাওবা ওইবে। ইস ! ঐহাক অসি কদাযদা কুম্লক্লিবা ! মখোঙ অনীনা চৎলিবা থরায়পানবা অসে তশেংনমক মী হায়বদুরা ? খুৎশেমগী অথোয়বা থরায়পান্‌বা মী মশক্তা ঈশ্বর। নত্তে, নত্তে, মসিনা করিগুম্বা মতমদা মী খক ওইবা য়ারোই, মসিনা করিগুম্বা মতমদা মী খক ওইবা য়ারোই।

খুৎশেম অসিদমক মরাল খব লৈরব্রা নত্রগা ঐহাক্কী মিৎ-য়েংদা অকাযবা খর লৈবব্রা ? মসিবু ঐহাক্তা মীওইনা করিগী উদ্রিবনো ? ঐনা উরিবা অসি করিনে ? ইস ! কদায়দা লাক্লিবনো ঐহাক অসে ? কদায়দা লাক্লিবনো ঐহাক অসি !

·········মসি মখোঙ অনীনস্থু চৎলি, অর্থ লৈরবা রাস্থু ঙাংই, হকচাংগী ফিরেপ শক্তমস্থু অচুম্বা মী ওইবগী মওং মতৌ মাল্লি। অদুগা মহাক্কী শক্তমদা অচুম্বা মী হায়বদুগী মঙান অদু

কবিগী লৈখ্রিবনো ? মসিগী লমচৎ শাজত্তা হিংচাবা যাইতমগী লমচৎ শাজৎ কবিগী লৌবিবনো ? নত্তে, নাত্তে, মসি অচুম্বা মী হায়বত্থু খক ওইবা যাবোই। মসি মহাক্কী অশোয়বা অমস্তুং অকায়বা শক্তমনি— মহাক্কী অতোনবা শক্তমনি।

[অঙাওবগী খোঞ্জেল অত্থু মুকম মুকম ঙাংলম্লগা লোইশিনখি। মহাক্কী খোঞ্জেল অত্থুবু নমহন্তুনা অতোপ্পা অশেংবা খোঞ্জেল অমা তাবকহ।]

"বেক্ গ্রাউন্দগী খোঞ্জেল"

মসি কনানো ? মসিনা কোইচৎ চত্তুনা লৈরবা কবিগীনো ? মহাকপু কনাগুম্বনা অঙাওবনি হায়না খল্লি, কনাগুম্বনা প্রেম্না ঙাওবনি হাইনৈ অমস্তুং কনাগুম্বনা সং আইং ডি. নি হায়নবস্থু য়াওই। তৌইগুম্বস্তুং মহাক্কী অশেংবা পবিচয়দি কনাস্থ খঙদে। অঙকপনি মহাক্কী ফিজেৎ ; ফিজেৎ অতনা মবম ওইদুনা মহাক্কী জাতিবু খঙবা ঙমদে, কবি লৈবাক্কী মীনো হায়বস্থু খঙবা ঙমদে। মহাক্কী মখুৎ নামদা অঙানবা থাউমৈ অমা পার্যাব অত্থুগা মখুৎ নামদনা মিংশেল অমা পার্যাব। মহাক্না হায় —"থাউমৈ অসিগী মঙান্দা অচুম্বা মী থিবিবান অত্থুগা মিংশেল অসিনা মীওইবগী চাংয়েংনি"।

লম্বী চৎপশিংদা ওস্থোক ওনশিনগী রাহং হংবা ; পাউখুম তারগা নোকপা অত্থুগা পেন্দুনা অমুক চৎপা অসিনি মহাক্কী অঙকপা থবক।

মহাক্কী যেংথোবকপা মিৎযেংদা নুংশিবা পোকই, মাযথোংদা বাশি অমস্তুং গুন্না লৈতেংই, অমদি ভাংথোরকপা খোঞ্জেলদা অবা নুংশিবা শোবনা লৈতেংই। মহাক অসি লমডাওনববা মীওইনি হেক খনবস্তু যাদ্রি, মহাক্কী রাডাংদা অচুম্বা পাউতাক যাওদ্রবা অমনি হায়নস্তু হেক খনবা যাদে। হোয়, মহাক্কী অডকপা লমচৎ শাজৎ অতুনা মরম ওইতুনা সংসাবগী মিৎযেংদা মহাকপু তশেংনা পঙলবা অমস্তুং পূমডাও ভাওরবা অমা ওইনা উরি। সংসাব অসিদা মীওইবগী মশীং অসি নোংম নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবা অতুক্কী মখৈ কোযচৎ চত্তুনা লৈ অচুম্বা মী থিবদা। মহাক্কী মওং মতৌ অসিদা সংসাবগী মীশিংনা মহাকপু অডাওবনি খল্লবদি কনি খনক্ম পোকই। অতুগা অওকপা রাকমদি মহাক্স্থ সংসাবদা লৈবিবা মীশিং অসিবু অপঙবা অমস্তুং অঙাওবনি হায়না খাল্ল।

নিপা অসিনা মহাক্কী পুন্সিগী চহি ২৫ দি সংসাবদগী কোডানখবা চীংশিংগী অথোযবা হিমালযদা কনাগুম্বা মুনি ঋসিশিংগী আশ্রমদা অথোখবা পুন্সিগী তত্ত্ব থিবদা লেল্লুরে। মহাক্কা দর্শন শাস্ত্র নিংথীনা তমখি, বেদ অমস্তুং উপনিষদপু নিংথীনা নৈনখি। ঈশ্বব অমদি মহাক্কী খুৎশেম, মীওইবা পুন্সি অমদি মহাক্কী অপাম্বা, অসিগুম্বা অকবা হৈবমশিং অসিগী অরায়বা পাউথুম মহাক্কা নিংথীনা কংলে। মীওইববু খুৎশেমগী অথোযবা থরাযপানবা করিগীদমক কৌবিবা? মীওইববু ঈশ্ববগী শক্তমনি করিগী হাযবিবা? মহাক্কী থম্মোযগী চিন্তনা তম্বা অমস্তুং রাখলগী

পাঙ্গলনা হায়রিবা রাখলশিংসিগী অচুম্বা পাউখুম মহায়রা নিংথীনা খঙলে।

মহাক্কী থম্মোয়গী পর্দা মনুংদা শেমলিবা য়েকালবা খুৎ-শেমগী ক্বজরবা ফিদমগী মশক ওইববা শক্তমচুগা মপানথোংগী মহৌশা খুৎশেমগী শক্তমগা চাংদম্নবগীদমক শাংলবা চহি কুনমঙাগী মতমবু কন্না নৈনকববগী মতুংদা অমুক হন্না ঙাস মহাক হিমালয়গী রাংলবা চীংদোন্দগী কুম্লক্তুনা সংসাব অসিদা হল্লক্লবনি।

[বেক-গ্রাউন্দগী খোঞ্জেল অহ লোইখিবগা অঙাওবগী খোঞ্জেল অমুক তারে]

অঙাওবা— মসিনা খুৎশেমগী অপোসবা থরাযপানবা কমদোনা ওইরিবা ? তশেংনমক মীওইবা পুন্সিগী মরুদ। শোইখ্রবনি, শেম্বদা করিগুম্বা অকাউবা খর লৈখ্রবননি। মসি মচুগী মতৈনান। মীওইবা তশেংনমক শা ওইরে। মশাগী মমল নাইদ্রবা লন থুমগী মশক ওইরবা মানং মখা-তম্না আত্মাবু চাউখৎহন্নবগী স্বত্ব অদু মাঙহল্লগা হংগী লাইগুম ওইবে। চৎনবী, অরানবদা থাজবা, শেল-থুমদা মিহৌবা, অতোপ্পা মীবু খুম্থম চননিংবগী আশা, অসিনচিংবা অমম্বা রাখলগী শক্তিনা মহাকপু অপাম্বা মওংদা জগোই-শাহল্লি। মসি হাই-হুন্না চৎলিবা হংগী লাইান, খংলিবা কোয়রিবা শান্নপোৎনি! মসিবু কনানস্থু মীনি হায়বা য়াদে।

খুত্তা থাউমৈ অসি পায়চুনা সংসার পুম্নমক থুনা কোয়থি থিরে, অচুবু করিগুম্বদা অচুম্বা মীওইবা হায়বা অচুবুদি উবা

ফংদ্রে। হা, হা, হা, হা, কযাদা ঙকখ্রবা রাকমনো! অসুক য়াম্না পাক-চাউথ্রবা সংসার অসিদা অচুম্বা মীওইবা অমতসু লৈত্রবা? নত্তে, নত্তে, মসি কমদৌনা ওইগদৌবিবা! অদু ওইববদি করি ঐহাক্না চহি ২৫ নৈনরুরবগী মতুংদা ফংলিবা জ্ঞান অসে, মদু অরানবা ওইবত্রা? অদুগা ঐহাক্কী তম্বগী মওংদমক দোষ খব লৈকবত্রা? নত্তে, মসি কমদৌনা ওইগনি? কবিগুম্বা অশোযবা লৈববসু খুৎশেম অসিদা লৈগনি, মরাল লৈবা ওইববসু মীওইবা পুন্সিগী খোংচত্তা ওইগনি।

হা, হা, হা, হা, ...অদুগা মফম অসিদা ডাক্তর কযামকম লৈ, লেণ্ডা কযামকম লৈ, উকিল কযামকম লৈ, ঈনাক-কৈরাক খুনবা মী কযামকম লৈ, ধর্ম পাউ তাকপীবা সাধু-লুচিংবা কযা মকম লৈ, কৌইগুম্বসুং অচুম্বা মীদি কনাসু লৈত্তে। তাই, কনাগুম্বা গান্ধী হাযবা অমা লৈবমই। মহাক্তি মীওইবগী মতৌগুম্না খল্লি লমচংসু চংলি অদুবু মীশিংনা মহাকপু খণ্ডবিদে মহাক্কী মতৌ তম্মদে মহাক্কী লমচং শাজৎপু মশাগী ওইনা লৌদে। মহাক মফম অসিদা শক-খণ্ডবিদবা অমগুম্না লৈরমই। মহাকপু তুক্কচনৈ, লংনবিবমই, নোল্লুকপীরমদে অদুগা মমৈথংদা অঙাওবা সংসার অসিনা মহাকপু গোলীনা কাপ্পুনা হাৎখি। করিনা হায়ববু মহাক্তি অচুম্বা মী ওইরমই। হা, হা, হা, হা, মফম অসিদা অচুম্বা মী ওইনবা হোৎনবা মরাল ওইরে; অচুম্বা মী ওইনবা হোৎনবা পাপ ওইরে।

(লম্বী চৎপা অমবু খাম্নগা)

হে ভাই, ভাইহাক্তং পনবা য়াববদি ? কনানো অদোমবু কদায়দা লেংলিংবা ?

ডাক্টর— ঐহাক ডাক্টবনি, অনাবা লাইযেংবা চৎলিবনি। অদুগা নহাকনা হংলিবগী মরম্না করিনো ?

অঙাওবা— ডাক্টর, ঐহাক সংসার অসিদা অচুম্বা মীওই থিবা কোইচৎ চৎলিবনি। উবিদত্রা ঐহাকী খুত্তগী থাউমৈ অসি ?

ডাক্টর— করম্বা চোইত্রং-পাত্রংগী রায়াম ভাংলিবনো ? অঙাওবা নহাকপু ?

অঙাওবা— নত্তে, ডাক্টর, অঙাওবনি সংসার পুম্নমক অঙাওবদি মহাক অদুনি ঐবু অঙাওবা হাযরিবা! ডাক্টর তশেংনমক অদোমবু অনাবা লাইযেংবা ঙমবিত্রা ?

ডাক্টর— অনাবা লাইয়েংত্রবদি ঐহাক কবি তৌদুনা লৈগনি ? লাইযেংবমক্তা ঐহাক্কী মকুওইবা থবকনি।

অঙাওবা— অদু ওইরবদি ডাক্টব, ইহান হানবদা অদোম্না সংসার অসিমক্কী হান্না লাইয়েংবিখো। মঙোন্দা অকীবগী মশক ওইরবা লাইনা অমা পক্লে, মহাক্কী অচুম্বা মীওইবা হায়বা মওং অমসুং গুণ অদু মাঙখ্রে— মহাক্কী পুন্সিগী থাঙ্গেশেংবা শক্তম অদুদা মঙাইরে ঙমবিগত্রা মসিবু লাইয়েংবিবা ? ওইহনবা ঙমবিগত্রা মখোয়বু অচুম্বা মী ?

ডাক্টর— করিনো চবেৎ চবেৎ ঙাংলিবা অঙাওবা ! পূম্নমক অসি মী নত্রবদি করি ওইগনি ?

অঙাওবা— মখোয় অসি মী নত্তে ডাক্টর, অদুগা অদোমমকস্থ মী নত্তে। পূম্নমক মীগী অশোয়বা শক্তমনি।

ডাক্টর— ওস্থোক্না য়াম্না ঙকখরবা ৱাকমনি ? নহাক্না মফম অসিদা কনাগুম্বা অচুম্বা মী অমতস্থ উবা ফংদ্রবা ?

অঙাওবা— মিংশেল' অসিদা য়েংবিয়ু ডাক্টব ! অদোমগী অচুম্বা শক্তম্ অদোমনা মসিদা উবা ফংবিগনি।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা ৱা"

মতৌ অসিগুম্না ডাক্টরনা মিংশেলদা য়েংখি। মহাক্কী মমাংদা জীবপানবগুম্বা দৃশ্য অমা জগোই শাদুনা লৈবগুম্না উরে। অহিংগী মতমনি, নোং-মংলবা আকাশনি, খ্বায় খ্বায় লাউনা নুংশিৎনা রি রি শিৎলি। মতম অদুদা হনুবী অমা লাক্লগা ডাক্টরগী খোংদা তেক তেক কাপ্লরে............।

[খোংদা তেক তেক কাপ্লগী মখোন তায়]

হনুবী— বাবুজী, খর লেংখৎপীয়ু, বাবুজী ! ঐহাক্কী ইচা শিগদৌরে, খর লেংখৎপীয়ু।

[ডাক্টরনা খোং হাংদোকতুনা]

ডাক্টর— করিনো ? করি তৌরে নিল-খোংলিবা করিগীনো ?

হনুবী— ঐহাক্কী ইচা নারে বাবু। মহাক কোলেরা তৌরে। ইবুংঙোদা অমুক্তা লেংঙুসি নত্রবদি মহাক শিবা তারে।

ডাক্টর— অতদি ঐস্থু শিবো হাযত্র। মহাক্কীদমক ? হন্দোকখো, তুম্লগে ঐহাক।

হনুবী— অতম্না তাকপীগনু বাবু ! মহাক ঐহাক্কী অমতা ঙাইজ-রবা ইচানি। ইবুংঙোনা ঐহাকপু খঙবিদ্রবরা ? ঐ হোরিলালগী মমানি, ইবুংঙোগী বামপুব খুঙ্গংদা ঐহাকস্থু লৈজৈ।

ডাক্টব— তৌজিক লাইগী খুঙ্গং অতুগা ঐগা কবিগুম্বা মবী অমতা লৈনদ্রে। ঐহাক হোবীলালবুস্থু খঙদে অতুগা মহাক্কী মমাবুস্থু খঙদে। নহাক তৌজিক খুনা চৎখ্রবা। অধুক ঙন্না অনাবা অতু মফম্সদা পুবকউ অতুগা যেংগে। মতম অসিদা মাইল অনীবোম লাপ্পা বামপুব লৱাইদা ঐহাক চৎপা ঙমলোই খঙব্রা।

হনুবী— লাইরবদা থৌজানবীয়ু বাবু' তৌজিক অনাবা অতুগী ফিনম্ য়াম্না ফৎহৌদ্রে, অযক ফাওবদা মহাক করি ওইগদগে খঙদ্রে। রামপুব হাযবা খুঙ্গং অদু ইবুংঙোগী পোক্লফম লমদমনি। মতুগী ঈকায়-খুম্নবা ওইনা চৎপগী অরাবা অসিদং লৌবিরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি।

ডাক্টর— করি তাক্লিবা নহাকনা ঐঙোন্দা ? অহিং অসিদা লৱাইগী লৈখোম্না থল্লবা লম্বী অতুদা ঐহাক চৎপা ঙমলোইনে।

হনুবী— ইবুংঙোনা ফত্তে হায়না খনবিম্বিবা অম্থক ফত্তবদি নত্রে লম্বী অতুস্থু বাবু ! নোংমা ইবুংঙোমা জানকীনাথগী য়ুমদা লেংবিরক্লম্বা অদুদনি।

ডাক্টর— মচুদদি চৎলুরবস্থু লুপা তরা লৌথি, মহাকস্থু লুপা তরা পীবা ঙমগন্দ্রা ?

হনুবী— ঐহাক য়াম্না লাইরবা মীশকনি বাবু! মতম অসিদা ইবুংঙোনা লুপা মরিদং লৌবিরবদি ঐহাক শোয়দনা পীজগে। ঐহাকী ইচাগী মথরায়দদি কনবীয়ু, মহাকপু লুপাগা চাংদম্নবিগনু বাবু।

ডাক্টর— ঐগীস্থু ইচা ইশু লৈনে হনুবী। শেল থুম লুপাগী য়াখল তৌদ্রবদি মখোয়বু কনানা থাকপীগনি হাঃ? (ভক্লা) কনানো? বাবু লালাদেবীদয়াল! মতম অসিদা কন্নি থবক্কী লেংাবরকইবা লালাজী? তাকপীয়ু পুন্নমক মঙ্গলদি ওইবিরিদনা?

দেবীদয়াল— কন্নিবু হায়াসগে, নুমিদাংৱাক্টদগী মোতি অহু মকোক চিক্তুনা লৈরে। মহাক হৌজিক কাওবা তুমদ্রে। অদোম্না অমুক্তং চত্তুনা য়েংবিরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। ঐহাক গাড়ী পুজরকই, হৌজিকমক হনবীরকদবনি।

ডাক্টর— অহোয়, অহোয়, চত্তবা য়াত্রা, লেংঙসিদনা। হৌজিক মতম অসিদা অঙক অঙকপা অনৌ-অনৌবা লাইনা য়াম্না তৌনরকলে, তপথবা চুমদ্রে। ঐহাক বেগ লৌজরুরগে, মকম অসিদা ঙাইহাক্তং কন্থীরস্থু। (হনুবীরোমদা ওন্দুনা) তারব্রা হনুবী হৌজিক ঐহাক নহাক্কীদা চৎপা ঙমলরোই। লালাজীগী মোতী নারে, ঐহাক তঙাইকদনা মকম অহুদা স্নৌদবা য়াদ্রে।

হনুবী— তাজৈ, বাবু পূন্নমক তাজৈ। খঙজবে, তোল্লবা অন্না অনং লাইববশিংগীদমক্তি সংসাব অসি খ্বাইদগী অচোবা পাপনি।

[মখুত্তা বেগ পুহূনা ডাক্টব অহু লাল্লাদেবীদয়াল্লগা লোইননা চৎখি। মখোয অনি গাডী ষ্টার্ট তৌহূনা চৎখ্রে। গাড়ীগী মখোল অহু খর খব অস্থম তাখিদ্রে]



ডাক্টর— অঙাওবা! অঙাওবা! নহাক্কী মিংশেল অসি লৌথোকউ। ঐনা উথ্রিবশিং অসি কবিনো? ঐদি অসিগুম্বা মী নত্তেনা। মসি অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী শক্তমনি, মসি অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনি। মসি ঐ নত্তে, মসি ঐ নত্তে।

অঙাওবা— হা, হা, হা, হা, ডাক্টব! অদোম নশানা নশাবু খঙজদে! মসিমক অদোমগী অচুম্বা শক্তমনি। অদোম অসিগুম্বা মীমক্তি। তশেংনমক অসিগুম্বনি। হা, হা, হা, মকম অসিগী মীনা মশাবু মশানা খঙজবা ঙমদহূনা লৈরে।

ডাক্টর— নিংথীনা পঙলবা অমগা মবী লৈনরেদা! হে, মসিদা নহাক্কা কবি খঙহূনা? ঐহাক অহুগুম্বনি, অহুগুম্বনি। ঐগী কোক ঙাওহনগনু, খঙব্রা।

অঙাওবা— চুমই ডাক্টব! মমৈথংদদি নহাকস্থু কবিদা তারগনি খঙব্রা? তৌইগুম্বস্থুং ডাক্টর ওইদ্রিবৈগী মমাংদা মী ওইবা ঙম্মবদি য়াম্না করমগদবনি।

(ডাক্টর চৎথিবা)

হা, হা, হা, হা, চৎথ্রে মহাক! ঐনা অকবা হায়রগা মহাক্না ক্তবা ওইনা লৌই। খ্বাইগী ওইবা অচুম্বা ফাওবা মহাক্না খঙবা ঙমদ্রে। করি ওইথ্রবগে মনুগী মচাশিং অসিবু? শুপ্পগী অক-ক্ত খঙবগী রাখল লৈত্রে। মীওইবা মওংগী হংগী লাইশিং অসিনা মশাগী থবক্তসু চাউথোকচবা শাবি, তৌইগুম্বসুং মখোয়না খঙবা ঙমদে মতুদি হিংচাবগী মশক ওইবা লৌনমগী শক্তিনা খুদম চনখিহনা মাঙ-তাক্নবগী মশক ওইবা লুরবা কোম য়ৌবে হাযবসি! মী হায়বা মমিংগী ওইবা মখোং অনিনা চৎপা শাশিং অসিনা মীওইববু বদনাম তৌবি। মসি মী নত্তে, মী ওইবগী অশোয়বা শক্তমনি। মখোযদা রাখল বুদ্ধি থজিক্তা লৈতে, অশেংবা থৌনা লৈতে। থুৎশেমগী অথোযবা থরায়পানবা মীগী মসি লৈখাতাবা ফিবমনি! মনুগী মচা মীওইবশিংগী ফত্রবা দশানি।

"বেক্ গ্রাউন্দগী খোঞ্জেল"

অসুম তৌনা শহব কয়া লৈবক-খুল্লক কয়া কয়া ফাওরহনা চৎপদা অঙাওবা অহু কবিগুম্বা ঈশ্বরগী মন্দির অমদা থুংলুবে। (মহন্ত) সাধুশিংগী লুচিংবা অমা ভক্ত ময়ামগী মরক্তা ফিদা অমা থাবহনা ফম্লমই। মহাক নাপু মচুগী ফি শেৎলি। মমায়দা চন্দনগী সিড়ী শাংনা

থিল্লি। মহাকী ফিজেৎ অমস্তুং মওং মতৌ অহুনা ত্যাগা অমস্তুং ভক্তি লৈবা মীনি হায়বা খঙহল্লি। মহাকী মমাংদা চৌকী-মেজদা অচৌবা শাস্ত্র কয়ামক্রুম লৈ, মহুনা মরম ওঃহুনা মহাকপু পণ্ডিতনি হায়বগী মগুণ খঙহল্লি। ভক্তশিংবু মহাকনা পাউতাক পীরি—

মহন্ত— ভগবান শ্রীরামচন্দ্রনা হাঞনুবীগী বোরোই-লুখাক য়াম্না নুংশিনা অমস্তুং পাম্না চাখিরম্মী। মসি মহুগী প্রমাণ নত্রা? মহুদি ঈশ্বরগী মক্ষমদাদি অনেম-অরাং লাইরঈনাকখুনবা পূম্নমক চপ মানৈ? মহাক অহুদি তোললববু য়োকপিরানি। তোল্লবশিংবু মহাকনা চংজক্ষম পীবি। তীল কৌজেংদগী হৌনা মালেম অসিদা লৈরিবা থরাযপানবা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা ঈশ্বর লৈরিবনি। পূম্নমক অসি অমতা ভায়রবা অথোয়বা পিতা পরমাত্মাগী মচানি। মরম অসিনা পৃথিবী পূম্নমকপু ঐখোয়না শাগৈ অমতা ওইনা খনগদবনি।

শাস্ত্রশিংনা অস্মন্না লাউরি "বসুধৈব কুটুম্বকম" পৃথিবী পুম্নমক অসিবু শাগৈ অমতা ওইনা খনগদবনি। ......
ঐখোয় মশেল অমগা অমগা খৎন-চৈনা কয়া কয়া তৌরি, মহুমক চাউরবা পাপ অমনি। ঈপা অমতগী মচা ওইরবা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা খৎন-চৈন তৌরিবা অসি য়াম্না ঈকায়বা রাক্‌মনি।

লাইরবা তেংবাং-লৈত্রবা অমসুং অশোনবশিংবু ওৎ-নৈবিরবদি ঈশ্বরদা অরাবা পীবনি। ঈশ্বরগী থম্মোয়দা শোকই। ঈশ্বরনা ওৎ-নৈরিবা মীশক অদুদা শাউই। মীশক অদুদা পেন্দবা ফোংদোকই। মসিনি সংসারগী অরা-অনা পুন্নমক্কী মরু ওইবা মরম। মরম অসিনা হে ভক্তশিং! নখোয়না হুংঙাইবা পাম্নবদি পুন্নমকপু চপ মান্নবা হুংশিনু, কনাদসু কল্লক মীহৌবা অমসুং য়েন্নবা থমগনু। ঐখোয়গী কৃষ্ণ ভগবান্না মতৌ করম্না থালাগী অঙাংশিংগা তিন্নখিবা, শান্নমিন্নখিবা! মদুমক ইশা ইশাগী ফিদমনি, হায়না নিংঙু। মদু নশাগী ওইনা তমজো······।

অধ্যায় অসিদা ঙসিদি লোইশিল্লসি। শোল্লু, রাজা, রাজা শ্রীরামচন্দ্রগী—ভক্তশিংগী জয়।

মহন্ত— শোল্লু············

রঘুপতি রাঘব রাজা রাম,
পতিত পাবন সীতারাম।

ভক্তশিং— রঘুপতি রাঘব রাজা রাম
পতিত পাবন সীতারাম।

[অতপ্পা স্বরনা রামধুন শকই। অশোমদা অঙাওবা অদু লাক্লগা চবেৎ চবেৎ ঙাংলকই]

অঙাওবা— সংসার অসিদা মী অসি কদায়দগী লাক্লিবনো? তশেংনমক অচুম্বগুম্ন উরি, মদুগুম্ন ওইরমগদ্রা? নত্তে, মসি কমদৌনা ওইগনি? মসিনা অচুম্বা মী ওইরবদি

সংসারগী মীনা মখোয়বু করিগী হাত্তে? অচুম্বা মী ওইরুবগীদমক গান্ধীজীনা শিবগী দণ্ড ফংখি। অদুগা অমুক মসিনা কমদৌনা হিংহুনা লৈরিবা! নত্তে, নত্তে, মসিদা শোয়দনা লৌনম তৌরে। মক্নম অসিদস্মু লৌনম তৌরি, মায়াজাল তৌবি। যেংবদা উরিবা অসিগুম্না করিগুম্বদা থক ওইরোই।

[রামধুন তপ্না তপ্না লোয়খিবা। অঙাওবনা মহন্তগী মনাক্তা লাক্লগা হংলকই।]

অঙাওবা— ভাই, নহাক্কী পারচয়?

মহন্ত— নহাক খঙ্চাদ্রব্রা? ঐহাক মন্দির অসিগী ভক্তশিংগী লুচিংবনি। ভক্তশিংবু ঈশ্বরগী নাম তাহনবা অমসুং ঈশ্বরবু নীংহনবা অসিমক ঐগী ইথোনি। অদুগা য়েংউ, অচৌ-অপীক থায়না রা ভাংউ, ঐহাকপু নংনা "নং" হায়বসি ফত্তে।

অঙাওবা—কাউথোকউরে মহন্তজী, ফবে, ঐদি মী থিবদা কোইথুং থুংনা চত্তনা লৈরিবনি। অমুক চাউরবা সংসার অসিদা হৌজিক কাওবা অচুম্বা মী অমতসু ফংবা ঙমদ্রে ঐহাক্না। ইবুংঙোম্মু ভক্তশিংগী লুচিংবা ওইবতনি অচুম্বা মীদি নত্তেদনা?

মহন্ত— ভাই, নহাক্কী খোপ অসি থর মওং কায়রবগুম উরি, অঙাওবগুম্না রা ভাংই। নহাক্না মকম অসিদা কনাগুম্বা

অচুম্বা মী অমতম্মু উবা ফংদ্রবা ? ঐখোয় অসি অচুম্বা মী নত্রবদি করি ওইগনি ?

অঙাওবা— মহুদা ঐহাক্না চিংনৈ। অদোম্না অচুম্বা মীশক ওইরবদি মফম্ অসিগী মীশিংনা অদোমগী থরায় কাবগী লৌত্রি-বনো ? নত্তে, অদোম কদৌঙৈদম্মু অচুম্বা মীনি থক হায়বা য়ারোই ! অদুগা হোয, চুমই, পাউতাক্তি অদোম্না ফজ ফজনা পীরিদো। অদুগা অদোম্মু মপান্দগী যেংবদা উরিবা লমচৎ শাজৎ অসিগুম্বা থম্মোযদি থক ওইবমলোই।

মহন্ত— ক্শেংনা হায়রবদা নহাক অসি পুমঙাও ঙাওববা মীতা মাল্লি।

অঙাওবা— হোয, হোয, ঐহাক অঙাওবমকনি। অদু ওইহনম্মু ঐনা অদোমবু অচুম্বা মীনি হাযনদি লৌদে। অদোম করিগুম্বা মতমদা অচুম্বা মী থক ওইরোই।

মহন্ত— অদু ওইরবদি ঐহাক শা-রা ?

অঙাওবা— হোয়, শা-নি।

মহন্ত— চথোকউ মফমসিদগী নত্রবদি শোযদনা ফুবক্কনি।

অঙাওবা—মহুগীদমক ঐহাকম্মু চিংনরম্লিবনি মহন্ত, অদুগা মহন্তজী ! মিংশেল অসিদা অমুক্তা য়েংবিযু অদোমগী শক্তম্ অদু।

মবন্ত— করি য়েংউ হায়বিবা অঙাওবা মিংশেল অদুদা ! ইশাগী শক্তমদি ঐনা নুমিৎ খুদিংগী উজৈ।

অঙাওবা— কাউরেদনা মহন্তজী, অদোম্না নশাগী শক্তম উজবা ফংজ্রে। মিংশেল অসিদা য়েংবিযু করি উবগে ?

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা রা"

সাধু লুচিংবনা মিংশেলদা হেক যেংখিবদা মন্দিরগী মমাংদা কাও অনি য়াম্না শাথিনা রাইনহুনা লৈবা উরে। কাও অমনা অমবু য়াম্না কন্না ইনশিল্লক্লে, কাও অহু চোংল-চোংলহুনা কন্না মাযকৈ অমরোমদা চেনখ্রে। মনাক্তা লৈরিবা মীযাম অহু কোযচেল চেন্দুনা মবাং মরাং তৌরে। অমা'বা শোক্ল-পন্নবা যাদবা নুপীমচা অমা মথরায হিংনবগীদমক মন্দির মনুংদা চংশিনখ্রে। সাধু লুচিংবনা পীগুম গুক্লহুনা শাউবকহ·········

মহন্ত— কদাযদগী চন্দালনো? মন্দির মনুংসদা করিগী চংলকলিবনো? থুনা চৎখ্রো, নত্রবদি চৈ আসনা ফুহুনা নকোক্ থুগাযগনি।

অমাংবী— মহন্ত মহারাজ, মপান্দা কাও অসি কন্না রাইনহুনা লৈরে; মন্দিব অসিদা চংজত্রবদি ঐহাক শিবা তারে। রায়নরিবা আসিদা খর খাম্বযু। ঐহাক থুনমক মফম অসিদগী চৎচখ্রগে।

মহন্ত— হে য়াইথীবীগী মচা! নংনস্থ ঐঙোন্দা রাহং পাউখুম তৌবা শারি। ঙাইখো, চাং খণ্ডহনগে, নহাক।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা রা"

মন্দিরগী মহন্ত অহনা অমাংবী নুপী মচা অহুবু মখুত্তা চৈ অমা পায়হুনা য়াম্না শাথীনা ফুবিরে। মমৈথংদা

অতোপ্পা উপায় অমা উত্রদুন। মহাক ঈশ্বরগী মন্দির অদু থাদোকপা তাখি। অসুম তৌনা অমাংবী সুপী মচা অদুনা মখোং অদু মপান্দা হেক থাংদোকপদা মহাকপু কাওনা চেনখুরে। মহাক শাখীনা শোক্লে।

মহন্ত— অঙাওবা, অঙাওবা, নহাক্কী মিংশেল অসি লৌথোকলো। ঐহাক্না উরিবা অসি করিনো? মসি লৌথোকউ, মাস লৌথোকউ।

অঙাওবা—নত্তে, মহন্ত মহারাজ, মীকুপ খবদং তপথবিখো। অদুগা অমুক য়েংবিযু, মসিদা করি অমুক উবগে?

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা ৱা"

হন্দকমুক্তি মহন্তনা উরে মদুদি তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী গুরুশিংনা মশা মশাগী ধর্ম্মবু থাগৎনদুনা কন্না কন্না লাউনবা। মদুগী মবক্তা মহন্ত মশামকশু য়াওরি। মখোয়গী খোঞ্জেল অদু ময়ামদা তাহাল্লি।

অহানবা খোঞ্জেল—হিন্দু ধর্ম্ম হায়বসি সংসাবদা লৈবিবা ধর্ম্ম পুম্নমক্কুগী খ্বাইদগী কুহরবা ধর্ম্মনি, মসি সনাতন্নি। ধর্ম্ম অসিগী মমাংদা ধর্ম্ম পুম্নমক মীনম্ব ভাক্তোন। ধর্ম্ম অসিনা মরম ওইদুনা মীওইবনা মুক্তি ফংবা ঙমগনি।

অনিশুবা খোঞ্জেল—জৈন-ধর্ম্ম অসিগী মতিক মগুণগী মমা দা সংসারগী ধর্ম্ম পুম্নমক করিস্থু লৈতে। ধর্ম্ম আসনা নুমিৎকুম্বনি, অদুগা অতোপ্পা ধর্ম্ম পুম্নমক্তা তন্দনগুম্বনি।

জৈন ধর্ম্ম হায়বসি অরান খুবম ফংনবগী অমতা ভাইরবা ধর্ম্মনি ।

অহুমশুবা খোঞ্জেল—অরান-খুবম ফংবা হায়বসি মীওইবা পুন্সিগী অথোইবা খুদম অমনি, তৌইগুম্বস্নং মহুবু লায়না ফংবা ঙম্বদি বৌদ্ধ ধর্ম্মবু উপাসনা তৌবনি ।

মরিশুবা খোঞ্জেল—নত্তে, নত্তে, সংসারদা পূম্নমকপু চপ মান্নহনবগী মরু হুল্লিবা ধর্ম্মদি ইসলাম্ ধর্ম্মতনি । অতৈ ধর্ম্ম পূম্ন-মক্তি অমগা অমগা য়েংথনৈ ।

মঙাশুবা খোঞ্জেল—তৌইগুম্বস্নং মীওইববু পাপ্তগী নান্থোকহন্বা ঙম্বা ধর্ম্মদি হসাহ ধম্মতান ।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা ব্রা"

মতৌ অশুমনা ধম্মগী মমিংদা মখোয় মশেল অমগা অমগা য়েংনরি, খংনার । ফুন-চৈন কয়ামরুম তৌরি । ধর্ম্মগী নিশাদা ময়াই কাখিহনা অমগা অমগা হাংনরি ।

[হাংন-শুনবা, ফুন-চৈনবগী খোঞ্জেল তাই, অমদি অরাবগী খোঞ্জেল অমস্নং হাহাকার লাউবগী মাইকৈ পূম্নমক পুমনিন্ নিনথ্রে]

মহন্ত—অঙাওবা ! অঙাওবা ! লৌথোকখ্রো ঐগী ইমাংদগী মিংশেল অসি ! মসি ঐহাক্কী শক্তম্ নত্তে, মসি ঐহাক্কী শক্তম নত্তে ।

অঙাওবা—হা, হা, হা, হা,............মহন্ত মহারাজ অদোম্না

নশাবু নশানা খঙজন্দ্রে। মসিমক নশাগী অচুম্বা শক্তমনি। মসিদা নহাক্না উবিবা পূম্নমক অচুম্বনি। ঐহাক্না হায়রি অদোম মপুং ফানা অহুগুম্বা মীতানি, মপুং ফানা অহুগুম্বা মীনি।

মহন্ত—করিনো চবেৎ চবেৎ ঙাংলিবা নংনা? চৎথোকখ্রো, হন্দোকখ্রো থাপ্না। ঈশ্বরগী লাইনিংদা অকায়বা যাম্না ওইরে।

অঙাওবা—লৌনম থাদোকউ মহন্তজী! মতৌ অসিগুম্না সংসারবু অমদি নশামকপু লৌনম তৌগনু। অচুম্বা মীওইবা তম্বিয়ু। মীহুনা ঈশ্বরগী মিংথৈবু অতৈদা খঙহন্দিবৈগী মমাংদা অদোম নশামক অচুম্বা মী ওইবা তমখো। (অঙাওবা ঙাইহাক লেপ্লগা) মহন্তগী মাংদা লাক্লিবা অহু কনানো?

মহন্ত—মহাক? হেরা, মহাক্তি ঈনাকখুনবা থনপত বায়নি। মহাক যাম্না ফবা ধর্ম্ম চেনবা মীতানি।

ঈনাকখুনবা—(মহন্তগী মনাক্তা লাক্লগা) খুকমজবি, সাধু, মহারাজ! তাকপীয়ু কবি তৌবরগে?

মহন্ত—হেরা কবিবু ওইগবনো! অঙাওবা অসিনা কোক্ ঙাওহন্দুনা লৈবিবনি।

অঙাওবা—ঐবু অঙাবরা? খুত্তা থাউমৈ অসি পাযদুনা ঐহাক মী থিবিবনি। নহাকস্থু ঈনাক খুনবা নত্রনে?

ঈনাক খুনবা—মসিনা কবিনো চবেৎ চবেৎ ঙাংলিবা অসি মহন্ত মহাবাজ ?

মহন্ত—এ, হংবিকনু যাম্না অঙকপা মীতানি। মহাক্না হায়রি মক্ষম অসিদা অচুম্বা মী অমতম্বু লৈতে।

ঈনাকখুনবা—অদু ওইববদি এ্ংখোয অমুক শা ওইবতারে। অঙাওবা !

অঙাওবা—ঈনাকখুনবা ইবুংঙো, ঐহাক্কী মিংশেল অসিদা অমুক্তদি থেংউ। নহাক কনা'না হাযবা হৌজিক্মক্ খঙগনি।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা ৱা"

অঙাওবনা ঈনাকখুনবগী মমাংদা মহাক্কী মিংশেল অদু থাংজিল্লি। মদুদা ঈনাকখুনবগী অচুম্বা মশক অদুগী মাম অদু লেপখৎলকই। ঈনাক খুনবনা উবা ফংলে মদু'দ মশীং লাকঙমদ্রবা অরাম খোঁবাংবনা ৱাৱবা ফিবোল অমতা যাওদ্রবা শক্ন পোলাংদা ঙাইববা মী মযাম্না মহাকপু মাহকৈ মবিমক্তা কোয'শনবা। লাইরবশিং অদুনা চেং খুবা অমগীদমক যাম্না নোল্লক্না ঈনাকখুনবা অদুদা হাযজরি, ঈনাকখুনবা অদুগী মনাক্তদি চেং মন লাখ কযা কয়া পৈদুনা লৈ। মহাক্না চেংশিং অদু লাইববশিংদা পীথোকপা পামদে। মহাক্না চেংশিং অদু লোম্না লোম্না চোব বাজাব তৌদুনা যোন্থোকপা পামই। তোইগুম্বম্বুং শক্ন পোলাংদা ঙাইৱবা মীওইবশিং অদুগী অকৌবগী মশক ওইরবা শক্তমশিং

অত্ত উবগা মহাক্কী মশা পূন্নমক নিকলকই। মহাক অকীবা খর পোল্লকই।

খুদক অত্তমক্তদা মশা য়াম্না চাউববা য়াম্না লিকপা মী "অর্থপিশাচ" অমা ঈনাক খুনবগী মমাংদা লেপ্লরে অমস্তুং লাউনা হায়বকই—

অর্থপিশাচ – নং কবি তৌবিবা ধনপতবায় ? ঐহাকপু পূজা অমস্তুং নীংজবা মী ওইবগা করিগী অত্তুক কীগনবা ? খোজাল অমস্তুং মীগী অরাবা শরুক য়াবা নঙোন্দা খাজওং ফাওবা করিগী লৈগনি ? পাঙদবা ! ফুত্তনা তাস্তোকখো, শক্ক পোলাংশিং অত্তবু।

ঈনাকখুনবা – হৌজিকমক তানখোকচবগে, ঐগী ঈশ্বর ! হৌজিকমক তানখোকচরে। ইবুংঙো লাতববশিং অসিদা শাউবিরুগনু। ইবুংঙোগী য়াথং ঐনা কদৌঙৈদস্ত ইন্দবা তৌজরোই। ঐগী থৌনা ফরবা থোংঙাকপশিংনা হৌজিকমক মখোয়বু মওক লাওুন ইনহনখ্রগে। (ফুনা চৈনবা অমাদি কপ্পা নাহেবগী খোঞ্জেল তাবা)

অর্থপিশাচ— হা, হা, হা, হা, মতৌ অত্তগুম্না থৌনা ফনা লৈগদবনি। স্তুপ্পগী থৌনা লৈবা মীতনা ঐবু পুজা তৌজবগী মহৈ ফংবা ঙমগদবনি।

ঈনাকখুনবা— হে ! ঈশ্বর ! হন্দক মরক্তি মীঙোন্দা দাননচিংবা তৌবদা ঐহাক্কী লন-থুম য়াম্না অরেম্বদা মাঙখ্রে।

ইবুংঙোনা খৌজানবিহুনা মাঙখিবা লন-থুম অহু অমুক্তা মপুং ফাহনবিয়ু।

অর্থপিশাচ— য়েংউ, নহাক্না অচুম-অরানগী রাখল পুন্নমক থাদোক-তুনা মমল য়াম্লবা পোৎ খুদিংমক্তা অহোংবা পোৎ তিনশিনবা হৌবো। ঘীদা নাপীগী থাউ য়ানশিন্নৌ। আটাদা নুংকুপ যানশিল্লু। অতোপ্পগী অক-ফত্তগী রাখল পুন্নমক থাদোক্তুনা শেল-থুম ফংগদবা থবক অহু চিংনবা লৈতনা তৌগদবনি।

ঈনাকখুনবা— ইবুংঙোগী যাথং লৈবাক তাহনজরোই। অহুগা হে ইবুংঙো, হৌজিক কালগী মীশিংনা ইবুংঙোগী ভক্তশিংবু অবেম্বদা বদনাম তৌরি।

অর্থপিশাচ— ঈনাকখুনবা, মখোয় পুন্নমক অহু অপঙবা ঙাক্তনি, খঙঙ্ৰু। মহুগীদমক কারিস্থু রাখল তৌরুনু। মীশিংবু তুমিন্না লৈহন্নবগীদমক তৌশিন্নহুনা ঈশ্বরগী ভজন, পুজা-পাঠ, অসিনচিংবা কয়ামরুম তৌগদবনি অহুগা ধর্ম্মগী লাইরিক মচা অমা য়েংশিন্নগদবনি অমদি নখুত্তা মালা অমা চত্তুনা মতম খুদিংমক্তা অচুম্বা ভক্তগী মীওই শাহুনা লৈগদবনি খঙব্রা? কনাগুম্বনা নঙোন্দা হেঞ্জিন্না অক-ফত্ত ঙাংলবদি ঙাংলকলিবা মীশকশিং অহুদা লুপানা মমাইদা চেক্তা থাজিল্লু। মখোয় অহু তুমিন তুমিন লৈজখিগনি। (অর্থপিশাচ উখিজ্রে)

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা রা"

মতৌ অম্সুম তৌনা মিংশেলদগী মমি মশাগী অচুম্বা শক্তম অহু উরগা ঈনাকখুনবা অহু য়াম্না রারে। মহাক মিংশেল অহুদা য়েংনিংঙ্রে।

অঙাওবা— হা, হা, হা, হা, ঈনাকখুনবা নহাক মীপায়রব্রা করিনো? নহাক নশানা নশাবু খণ্ডজরব্রা?

মহন্ত— চৎহনবিগে্রা ঈনাকখুনবা ইবুংঙো অঙাওবা অহুবু। মহু য়াম্না চোইত্রং পাত্রংগী মীতানি। মহাকসি সুপ্নগী অঙাও-অকৈগী রাতাদা মঙাংই।

অঙাওবা— চুমই মহন্ত, পুন্নমক চুমই। মীওইবা পুন্সিগী মরুদা করিগুম্বা অশোয়বা খর লৈগ্রবননি, মহুমক্কী মহৈননি তৌরিবসি। নহাক্না নশাবু নশানা খণ্ডজবা ঙমজ্রে। হা, হা, হা, মকম অসিদা কনাগুম্বা অচুম্বা মী অমত-কাওবা লৈভে। পুন্নমক মীওইবগী অশোয়বা শক্তমনি। হিংচাবনা মকম অসিদা মীওইবগী ফিজেৎ শেত্নুনা কোয়রি। ....হা, হা, হা,..........।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা রা"

অঙাওবা অহু অচুম্বা মী থিনবগীদমক কোয়চৎ চৎপদা "বিজ্ঞানগী সম্মেলন" অমদা অমুক খুলুরে। মহাকী নাকোংদা খোম্প্রেল অমা তারম্মী।

খোম্প্রেল— বিজ্ঞান্না মীওইবগী সমাজগীদমক তৌরিবা সেবা অসি

ঐখোয়না শিংথাবা ঙমলোই। মীওইবগী চাউখৎপা অমসুং মথং মথং অৱাংবা থাক্তা লাকপগী খোংচত্তা মীকোক্ থোংগে হায়রবদি বিজ্ঞানগী মতেং লৌদবা য়াদে। বিজ্ঞানগী মতেনা মহাক অদুনা ঙসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মতিক-মগুণ লৈবা ওইবি। মহাক আকাশতা পাইবা ঙমলে, পাতালদা চৎপসু ঙমলে, সংসার পুন্নমক অসিবু মীকুপ্তা মাঙহনবসু ঙমলে। যুমদা ফমলগা মহাক্তা সংসার পুন্নমক উবা ফংলে, সংসাব পুন্নমক্কী খোঞ্জেলসু তাবা ফংলে। বিজ্ঞানগী মতেংনা পুং অমা চংগদবা থবক অদু মিনিট অমদা লোথোকপা ঙমলে। ঐখোয়না রেলগাড়ী চেনহল্লে, এরোপ্লেন পুথোক্লে। ঙাস ফাওবা জয় তৌবা ঙমদ্রবা প্রগ্রাভনু ঐখোয়না জয় তোবা ঙমলে, অমম্বা সংসারবু ঐখোয়না মঙান পীরে। বিজ্ঞান হায়বসি হৌজিক মতমগী ঈশ্বরনি। মহাক ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বরনি।

(খুবাক পোরোপ পোবোপ খুই)

অঙাওবা— হা, হা, হা, সংসাব অসিদা পুন্নমক লৌনমানি, পুন্নমক মায়াজালনি। মীওইবা লৈখা তারে, লমচৎ কাযরে। (লম্বী চৎপা অমবু খাম্নগা) হে মরূপ! ঙাইহাক্কুং লেপ্লিরবদি য়াম্না নুঙাইজগনি! মফম অদুদা করি তৌবিরিবগে?

বিজ্ঞানহৈবা— মফম অসিদা বিজ্ঞানগী সম্মেলন তৌরি। ঙসি ঐখোয় এতোমগী শক্তি পুথোক্লবগী হৱাওবা কোংদোক্লরি।

[illegible]বা— অদুগা অদোমদি কনানো ?

বিজ্ঞানহৈবা— ঐহাক বিজ্ঞান লাইবেন্থাগী তোল্লবা সেবা তৌজবা অমনি।

অঙাওবা— তৌইগুম্বসুং বিজ্ঞানহৈবা, ঐহাক্কি খুত্তা থাওমৈ পাংথনা অচুম্বা মী খিবদা কৌবচং চংলগবনি। ঐহাক সংসারপুম্নমক [illegible] খুন্ [illegible] ইল্লকবনি। অদুবু তৌডিক ফাওবা অচুম্বা মী অমত্তু ফবা ঙম্দ্রে ঐহাক্না। বি-[illegible] খুইনি অসানবদা অ[illegible]দামম্তু অচুম্বা মী অমা [illegible] মসাবী অফ-তু ভাই অমগুং [illegible] [illegible] বিজ্ঞান হৈবা মী অমা ওইনম্মী। [illegible] কনিপুম্থা [illegible] ঈ-কাই-খুম্নবা [illegible] ? [illegible] তৌদবু [illegible]। অহিং সাবুন্তু [illegible], [illegible] মত নম্ব বিজ্ঞানহৈবা ওইবিদু। [illegible] অদোবা [illegible] অমনি। মীওইবগী [illegible] মনা [illegible] পু[illegible]থাকপগুং অদু শীজল্লবা [illegible]। [illegible] সংসারগী অফবা ওইগনি। বিজ্ঞান হৈনা মসিংনা অচুম্বা মী ওইনবগী পাম্বৈ অমনি।

বিজ্ঞানহৈব— এহাক হঙবা ঙমদ্রে নহাক্কী রাফমশিং অদু অঙাওব !

অঙাওবা— অদোমনা অচুম্বা মী ফেক ওইদ্রিবমখৈ ঐহাক্কী রাফমাশং অসি নিংথানা খঙাববা ঙমলোই বিজ্ঞানহৈব।

বিজ্ঞানহৈবা— মহুদি অঙকপা রাকমনি! নহাক্কী মিৎযেংদা ঐখোয পূম্নমক অচুম্বা মী অমতা নত্রব্রা?

অঙাওবা— ঐনা তশেংনা হাযবিবসিনি বিজ্ঞানহৈবা, মযম মী অমতসু লৈতে। ঐহাক্কী চহি ২৫ গী লাইনিং (সাধনা) অসি অরানবা খক ওইবোই। অচুম্বা মীওইবা হাযবহুগী ঐগী থোপ্তা লৈরিবা অশেংবা চিত্র অসিগা নহাক্কী শক্তম, ফিবেপ মঙং মতোগা পুমখেৎ খেৎনৈ। মফম অসিদা লৈবিবা মী পূম্নমক্কী মওং ইকায় কাযবে, পূম্নমক অকাযবা শক্তমনি। বিজ্ঞান-হৈবা! অদোমনা মিংশল অসিদা অমুক্তা যেংবিয়ু। অদোমগী অচুম্বা শক্তমগী মমি অহু অদোম্না মসিদা শোযবিয কবি উবিরিবগে অদোম্না?

বিজ্ঞানহৈবা— লুপী অমা।

অঙাওবা— মহাক অহু অদোমগী বিজ্ঞানগী লাইরেম্বীনি।

বিজ্ঞানহৈবা— মহাক্কী তম্পাক্তা অঙাং অমসু লৈ।

অঙাওবা— মহুমক নখোযগী সংসারনি।

বিজ্ঞানহৈবা— লম্বী অহুদা অককপা মীগী মকোক্তা থন্না তাবহুনা লৈরে। ঈতনা ইঙাং ঙাংলে। ঈনা তুরেল চেল্লে। মহাক ঈনা ঈতৈ তৈহুনা অককপা মকোকশিং অহুবু নেৎ কাওবহুনা যাম্না থুনা চৎলি। অঙাওবা! অঙাওবা! হৌজিক মহাক্কী লম্বী অহু খমখ্রে। মহাক হৌজিক অকীবগী মশক ওইরবা কোম অমগী মাইকৈরোমদা

চৎলি। হৌজিক মতুগী ভমখৈস্থ উবা ফংদ্রে। মফম অদু অমমম্বগী অমম্বা ঙাক্লা ঙাইরে। মহাক হৌজিক অঙাং অদুগা লোয়ননা অরুবা কোম অদুদা তারে। তারে, ইসঃ অঙাওবা! নহাক্লী মিংশেল অসি থুনা লৌথোক্লো! পূম্নমক অসি ঐহাক য়েংবা ঙমদ্রে।

(এরোপ্লেন পাইবা, বম থাদবা, অমদি মীয়াম্না কপ্পা নাহেবা অমস্তুং লাউখোংবগী খোঞ্জেল তাই)

বিজ্ঞানহৈবা—ইসঃ মসি করিনো ঐহাক্লা উরিবা অসে!

অঙাওবা—হা, হা, হা, হা, অদোমস্থু নশানা নশাবু খঙজদ্রে। বিজ্ঞানহৈবা, মসিমক অদোমগী অশেংবা পরিচয়নি। অদোম খাইনা পুথোকলিবা অঙকপশিং অসিনা মঙ্গলগী মশক ওইদনুনা সংসাবগী মাংতাক্লব, মশক্তুম ওইহল্লি। অধ্যাত্মাগী জ্ঞান অদু মাংহল্লগা অদোম্না ভৌক্তিকবাদ হায়বদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, মপানগী ওইবা চাউখৎনবগী যুমজাও অদু লেপহন্দুনা সংসারবু নুংঙাইহনবা পাম্লি। মদু ওইথোক্তবনি, মদু ওইথোক্তবনি, মদু পুমঙাক ঙাওরবা রাখলনি। বিজ্ঞানহৈবা ঐনা হায়জবসি লৌবিয়ু। খুৎশেমগী লুহুপ ওইরবা মীওইবা অসি করিগী লৈখা তারিবনো? অমুক্ মদুবু শেংদোক্লবা তোৎনবিয়ু। মদুনা অদোমগী অক্ষবা ওইগনি, মদুনা সংসারগী অফ-নুংঙাই ওইগনি। ... ... অদোম লেংঙব্রা? য়াম্না ফরে, মসিদং

তাকপীরমখো—মাংদগী পাক-চাউরবা হুরাও-তয়ামগী য়ুমজাওগুম্বা অসি করিনো ?

বিজ্ঞানহৈবা— মসিদি ঐখোয়গী সংসদ হায়বহুনিমে অঙাওবা মকম অসিদনি ঐখোয়গী নেতাশিংনা লৈবাক তাক-শেনবগী থবক তৌরিবা। (বিজ্ঞানহৈবা চংখিবা)

অঙাওবা— হুরাও তযামগী মকম ওইবা য়ুমজাও অসিগী মনুংদা কমতুনা চৌকী থুদেকলিবা নিংথিজবা কিজেং লৈতেং-তনা মশাগী ওইবা বাবুশিং অসিমক লাইববা প্রজা-শিংগী মীহুৎশিনবা হাযবহুরা ? মখোয় অসিনি সাধারণ প্রজাশিংনা হুমাং থোক্লা তানজবা মরল-মথুমবু মাঙ-হল্লিবা। মখোয অসিনা শাসনগী থবক তৌরবদি লৈবাক্কী সমস্যা অসি নোংম নোংমগী লূবা হেঙ্গৎলক্কনি। মখোয়দা লৈবাকপু শাসন তৌবগী মতিক চাবা গুণ অহুম্ব লৈতে, মতীক চাদে। মখোয়না তৌবা থবক পুম্নমক মহৈ য়াদ্রে—

……… ……… ……… ঙাংলিবা অসি কনানো ? (অঙাওবা তাই)

খোঙ্গেল— ঐখোয়না য়াম্না কুপ্পবা লূরবা ফিবম অসিদম্ব মহৈ য়ানবগা লোয়ননা লৈবাকী শাসন তৌরিরা অসি সংসাব শিন-থুংনা থঙই। লৈবাকপু শেমগৎ শাগৎপা অমম্বুং শাসন নিংথৗনা তৌনরগীদমক অনৌ অনৌবা খোৱাং কয়ামরুম পাংখোকপা তাগ্নি। খৌঙ্গাং অসি তৌবদা শাসনগী খরচ মতিকচাক্লা হেঙ্গৎলে ‌ন মরম

অসিনা তঙাইফদনা ঐহাক্না অনৌ-অনৌবা খাজনাশিং অসি লৌখৎপা তারিবনি। ঐহাক ইশানা তশেংনা খঙজে মহুদি মসিগী পোৎলুম অসি লাইরবা প্রজাশিংদা শোয়দনা তাগনি। অদুবু ঐহাক্কী করিগুম্বা গতি লৈতে। লাইরবা প্রজাশিংগীদমক্তা ঐহাক্কী থম্মোয়দসু মীনুংশি লৈজরিবনি। অদুগা অরাবসু পোকল্লিবনি। মখোয়গী অরাবা ফিবমশিং অসি উরগা ঐহাক্কী থম্মোয়সু কপ-ল্লিবনি। করি অমুক হায়গনি লৈবাক্কী শাসন তৌবনি। মহু সুপ্নগী রা ঙাংবনা হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে। শাসন কজনা তৌবা মখৈ খরচসু হেল্লৎলি। ঐনা থাজে প্রজা-শিংনা মখোয়গী শেল-থুমগী মন্ত্রীগী খুদোংথীবা অরাবশিং অদু মুন্না রাখল তৌদুনা অনৌবা খাজনাশিংগী রারেপ্তা করিগুম্বা আপত্তি অমত্তা তৌরোইদবনি।

(খুবাক খুবা)

অঙাওবা—মকম অসিদসু মায়া তৌরি, লৌনম তৌরি। শেন-থুমগী মন্ত্রী অসিনা লাইরেনগী মতৌগুম্না তৌশিন্নদুনা মনজন্দা তোংলিবা মরাইবক থীরবা মী অদুদা হায় "হে, ভাই, লাম্মনখিবনা ঐহাক গতি লৈতদুনা নহাক্কপু চাদবা য়াদদুনা চারবনি অদুগা ঐহাক্কী থম্মোয়দসু নহাকপুদি নুংশিরিবনিদো; নহাক্কী অরাবা তারিবা ফিবম অসি উবগা ঐগী থম্মোয়সু কপলিবনিদো" হা, হা, হা,······ করে অদুদি শাসন মপুরা নহাকপু! হে, পুকচেল্

শেংবা মী শাসন কর্তা ওইজ্রিভৈগী মমাংদা অচুম্বা মী হায়া ওইয়ু। মতম অমুদা লৈবাক্কী মাইকৈ ওইগনি। করিগীদমক মতৌ অসুম তৌনা মীওইবা! ঈশ্বরনু নহাক্না নমথাক্ তৌরি? হা, হা, হা,.......... ।

"প্রসঙ্গ খণ্ডহনবা য়া"

হৌজিক অমুক অঙাওবনা মতং কায়নবা অমুবা ফিজেৎনা লৈতেংবা নহা-পাখং খর উরে। মখোয় অমু বিশ্ববিদ্যালয়গী দীক্ষান্ত সমারোহ য়াওরুরগা করিগুম্বা য়ুমজাও অমদগী খোরকপনি। অঙাওবনা করিগুম্বা মরোল খর তানিংবনা পাখং অমুবু খাস্নগা হংলকই—

অঙাওবা— করিনো মরূপ? অসিগুম্বা অঙকপা মতৌ তম্বা ফিজেৎ অসি নখোয়না করিগীদমক শেৎলিবা? ঐখোয়না তাবদি অমুবা ফিজেৎ হায়বসিদি অরাবা কোংদোকপা মতমদা শিজিনবনি। কনাগুম্বগী করি করি তৌবা য়াওরবগে?

প্রোফেসার—(নোক্নুনা) করম্বা লৈবাক্তা লৈবা মীতানো নহাকপু? অসিদংগী জ্ঞান কাওবা লৈত্রবা নহাকপু! ঙসি বিশ্ব-বিদ্যালয়গী দীক্ষান্ত-সমারোহ তৌই। ঙসি ঐখোয়দা "ডিগ্রী" য়েনখোকপা নুমিৎনি।

অঙাওবা—অমু ওইরবদি অদোমদি কনানো?

প্রোফেসার—ঐবু? ঐহাক কলেজগী প্রোফেসারনি। কুমশিগী

চহি অসিদা ঐহাক কাষ্ট ক্লাসতা "এম. এ." পাস তৌরে।

অঙাওবা— অদুগা অদোমগী মিং অহুনা করি তৌরবা? মহু করিগীদমক্তা অহুক কুৎশিনলিবা? আনোক অহুনা করিগী উপালিবা?

প্রোফেসার— নহাক খঙদ্রিবরা? লাইরিক লাইশু হৈবা বিদ্বানশিংগী মওং মতৌদি অসিনিদনা!

অঙাওবা— অদোমগী হুকচাং অহুম্ন য়াং ইকং কংনা ঈচপ চপ্না উই। মহুস্ন লাইরিক লাইশু হৈবা বিদ্বানশিংগী খুদমলা?

প্রোফেসার— বিদ্যা তম্বগী হোৎনবদা রাখিবশিং অহু নহাক্না করি খঙগনি?

অঙাওবা— হা, হা, হা প্রোফেসার! মসি পুম্নমক অদোমগী অকাউবা রাখলনি। বিদ্যা হৈবা মী হায়বসিদি মশা মউ য়াম্না কবা, থম্মোয়দা শান্তি লৈবা ওইগদবনি। তম্বা হায়বহুগী চক্রগুম্বা চক্রৌদা অদোম মহৈ মরোং তকপগুম তক্কুনা লৈরে। অদোমগী শিক্ষানা কনাবুস্ন অচুম্বা মী ওইহনবা ঙমলোই।

প্রোফেসার— ভাই, নহাক অঙাওবদি নত্তেকো, মতৌ অসিগুম্না নাতৈ-উতৈ চাদবা য়াম্নাম ঙাংলিবা করিগীনো?

অঙাওবা— ঐহাক অঙাওবা মক নত্রবস্থু অদোম খাইগী বরদগী অঙাওবা ওইজরগে। তৌইগুম্বস্নং প্রোফেসার অম্না তৌনা অদোম্না মীওইবা সংস্কারবু লৌনম তৌগস্নু

অহানবদা নশামক বিদ্বান ওইবিখো, অহুগা অতৈ
অতোপ্পবু বিদ্যা তম্বিনবা হোৎনব্রিয়ু।

প্রোফেসার— নহাক্না হায়রিবা অম ঐহাক খঙল্লে। কাষ্ট ক্লাসতা
এম: এ: পাস তৌরবদস্সু, ঐহাক বিদ্বান ওইদ্রিব্রা?

অঙাওবা— নত্তে, প্রোফেসার, অদোমদা অচুম্বা মীওইবা হায়বা
মওং অহু লৈব্রিবা মখৈ পুন্নমক অরেম্বনি। শিক্ষাগী-
দমক অসিগুম্বা য়ুমজাওশিং অসিগী কান্নবা লৈতে।
অদোমগী শিক্ষাগী অচৌবা মকমশিং অহু খাদোক্লগা
প্রকৃতিগী তম্পাক্তা লেংবিয়ু। মকম অহুদা অদোম্না
অচুম্বা শিক্ষা ফংবিগনি। প্রকৃতিগী বিশ্ববিদ্যালয়দা শেম-
শাবগী থবক য়াওদে, লৌনমগী থবক লৈতে। মকম
অহুদদি মনুং মপান চপ মান্নৈ। অদোমদি অতৈদা
তম্বিব-তম্বিরিবা অহুগুম্না নশামক্তি খক ওইদে। মরম
অসিনা অদোমগী শিক্ষা কংলিবা কনাগুম্বা অমতনা
অচুম্বা মী খক ওইবা ঙমলোই। শম্না হায়রবদা অদোম্না
সংসারবু লৌনম তৌরিবনি। মঙানগী লৌনমনা মখোয়বু
অমম্বরোমদা পুত্থনা চৎলিবনি।

প্রোফেসার— য়ারে, অঙাওবা, নহাক্না অফবা পাউতাক কয়া কয়া
পীরি। ক্রিবম অহুদি চহি লিশিং কয়ামরুমগী মমাংদগী
খাদোক্লপ্রবনি, অহুবু অমুক হন্না য়াখো হায়বা? মহু
করিগুম্বা মতমদা অমুক য়ারয়োইদবা য়াকমনি। খুৎশেম
অসি ঙসিদি মীওইবগী মনাই ওইরবনি, মহাকনা মীওইবদা
অমুক শিক্ষা পীবা ঙমলরোই।

অঙাওবা— অদোম অয়ানবা লম্বী চৎলে প্রোফেসার। মনুষ্যী মচা মীওইবশিংনা চাউখৎপা লম্বীয়োমদা চৎনবা হোৎনজ-হুনা। অমত্বা লম্বীয়োমদা ওাওজনা কোইচৎ চত্তনা লৈয়ে। ওসি ইবুংঙোনা মহুদা চাউখৎপনি হায়না নিংখিরিবা মহুমক অদোমগী লৈখাতাবা ফিবমনি। ঐহাক্কী রাকমশিং অসি লৌবিয়ু প্রোফেসার। হৌজিকস্থু প্রকৃতি ইমাগী তম্পাক্তা চংজৌ। মহাক ইবুংঙোগী মীনাই নত্তে, ইমানি। ওসিস্থু মহাক্কা ইবুংঙো মখল মখা অয়াম্বা শরুক কয়ামরুম তম্বিবা ওমই, মহাকনা ইবুংঙোবু অচুম্বা মী ওইহনবা ওমই। ইবুংঙোনা মতৌ অসিগুম্বা প্রকৃতিগী অচুম্বা নিয়ম থুগাইনবা লাখ কয়ামরুম হোৎনহনা লৈবিয়ু, তৌইগুম্বসুং প্রকৃতিগী খোংচত্তা করিগুম্বা অকায়বা, অহোংবা অমতা লৈয়োই। ওসি ৱাওবা মহাকপু জয় তৌবা ওমত্রি, মহাক্কি অথোক্সীবনি।

প্রোফেসার—ঐহাকনা মহাক্কী রাকমশিং অহু তশেংনা য়াবা ওমদে। মতিক মগুণ লৈরবা বিদ্বানশিংগী মোত্তদি আম্মাবু চাউখৎহনবা হায়বসি মীওইবগী লমচৎনি অমসুং হৌনশানি হায়রি। নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না খর খর চাউখৎলক্তুনা সংসার অসি হৌজিক চাউখৎপগী অরাংবা থাক অসিদা থুংলে। মসিবু হৌজিক কনানস্থু অয়ানবনি হায়না প্রমাণ পীবা ওমলোই।

অঙাওবা— হা, হা, হা, বস, মহুমকনি, অদোয়া ওাওরিবদো

প্রোফেসার। ইবুংঙোগী লমচৎ শাজখতা পাউতাক য়াওদে, অমদি পুন্সিগী মরু ওইবা অনিংবস্থ নশানা মাঙ-হনজরে। অকংবা উনানা নুংশিত্তা ক্রে ক্রে হাইবগুম অদোমস্থ মকম খঙদনা কোয়পাই শাইথুনা লৈরে। অদোমগী আত্মা অত্নু মনীং তম্বা ওমজদ্রে, অয়েপ্পা ইচ্ছা শক্তি লৈত্রে। হিংচাবনা ইবুংঙোবু অপাম্বা মঙংদা জগোই শাহন্দুনা থম্মি। থুৎশেমগী মাইকৈদা য়েংবিয়ু। মকম অহুদা মঙং ফজনা লৈরি, ব্বারক চেৎলি, মথৌ পাংথোক্লি। জ্ঞান তানা লৈরি, মহুদগী পারা তম্বিয়ু।

প্রোফেসার— নহাকী য়াকমশিং অদি মীনা তানিংবদি য়াম্না পোকনি অহুগা অচুম্বমক্কি হাযনা লৌবদি ঐহাক কয়া য়ানিংদে। মীওইবনা যুগ যুগ কয়াদগী তৌজরকলিবা অমদি নীংজরক্লিবা অসিগীস্থ মতিক মগুণ থরদি লৈরিবনি।

অঙাওবা— প্রোফেসার, লাইনিংগী লম্বীদস্থ কয়ামরুম শোয়বা য়াই। তশেংনমক মীওইবা পুন্সিগী মরুদা অশোয়বা কয়ামরুম হৈনরক্নুনা তৌবনি, মতুগী মহেৎনা মসি ওই-রিবনি। অপঙবগী খ্বাইদগী লুরবা কোমদা তাক্নুনস্থ মীওইবনা মশাগকপু জ্ঞান লৈরবা অমনি হায়না থজবি। উম, মসিবু শেংদোকপা তারবদি কমদৌনা শেংদোকনি! প্রোফেসার ঐগী মিংশেল অসিদা অমুক্তা য়েংবিয়ু, অদোম্না কম্নি উবগে?

প্রোফেসার— য়েং, মসিদা কজরবা লৌরেন, অমা লৈরে।

অঙাওবা— মহুমক অদোমগী খুৎশেম লাইব্রেরীগী লৈবাকনি। মকম অহুদগী ইবুংঙোনা মখল মখা অয়াম্বা নিংথীন। শিক্ষা কংবিগনি। মাইকৈ অদোমদা মুম্না য়েংবিয়ু, হৈনৌ পাম্বী অমা লৈরিনিনা ?

প্রোফেসার— অহোয়, অহোয়, অঙাং অমনা হৈনৌ অহুদা মুং অমা লাংই।

অঙাওবা— মুং অহু লংবদা উপালনা করি তৌরকই ?

প্রোফেসার— মথক্তগী হৈনৌ থরহুম থাদরকই।

অঙাওবা— মহু খাঙবা কনবা অমসুং অথোইবা গুণচেনবগী খুদমনিনে প্রোফেসার, উ খুদিংমক অমমমনা ঈসামসীহ অমদি গান্ধীজীনি খনবিয়ু প্রোফেসার। হৈনৌ পাম্বীনা অদোম খাইদা তাকলি। "কনাগুম্বনা নখোয়গী খজাই নামদা খুবাক্তা থারবদি নামহুম্ব মহাক্কী মমাংদা ওনশিল্লু"। কনাগুম্বনা নখোয়দা চৈরবদি মহুগী পাউখুমদা নখোয়না বরহুম পীয়ু। অমুক্তা য়েংবিয়ু মসিদা !

প্রোফেসার— অচাকপা মোমবত্তী অমগী মৈরিদা মৈরানবীনা মথল্লাই কখোকলি।

অঙাওবা— মহুনিনে প্রোফেসার প্রেমগী বলি লৈপুংদা নোক্তা নোক্তা থরাই থাদোকপা। অচুম্বা প্রেমদি করিগুম্বা মতমদসা মশাগী ওইজবা থিদে। মতৌ অসিগুম্বা খুৎশেম লাইব্রেরীগী পোৎ খুদিংমক্তগী মমল নাইজবা পাউতাক কথা গুমগনি। মকম অহুগী পোৎ খুদিংমক্তা মহাক

মহাক্কী মস্তিক মগুণ লৈরবা অচুম্বা অদু উৎলি। ভিংবং মরক্তা শাৎলবা আতর গুলাপ্তুদগী অরাবা মতমদা নোকপা তম্মু। তুমিৎ থাদগী পূম্নমক্তা চপমান্নবগী রাখল, থরানমিচাক্কগী নথৌ পাংখোকপা অমদি রাম্নক রাক্তেমগী পারা অদু তমজৌ।

প্রোফেসার— নহাক্কী রাকম অসি তাবদদি পুক্নিংদা মুংঙাইবা পোকই অদুগা অচুম্বমক্তি নত্তে হায়না খল্লি। মদুশিং অদুবু ঐখোয়না থবক্তা ওস্থোকপা ওইখোক্তবনি।

অঙাওবা— মদু ঐদি অহানবদগী খঙলে মতুদি রাকম অসি অদোম্না লৌরোই হায়বা প্রোফেসার, অমোৎপদা হৈনবা জীবশিংনা অরু-অহেনগী লমচৎ হৈনবা হৌনদে, কন্নি-শুম্বদা পান্নরোই। লেংবিরো, প্রোফেসার, অদোম্না নীংবা থুংনবা অপাম্বা মওংদা তৌবিরো।

(প্রোফেসার চৎখিবা)

"প্রসঙ্গ থঙহনবা রা"

মতৌ অসিগুম্না অঙাওবা অসিনা অচুম্বা মী থিবদা সংসারগী মচি মচি পূম্নমক কোয়থুং থুংলুরে। অদুগা মহাক্কী থম্মোয়গী পর্দা মন্নুংদা লৈরিবা অমম্মুং খঙলিবা খুৎশেমগী অঙকপা পুরীং হুরবা চিত্র অদুগা মীওইবগী খুৎশেমগা করিগুম্বা মতমদা চাংদম্নবা রাম্নে। মহাকনা মীওইবগী অকায়বা অমম্মুং লৈথাতাক্না মশক অসি উবগা

য়াম্বা য়ায়ে। মমৈখংদা মহাক নিংবা কায়হুনা মতোমতা হায়জরকই :—

অঙাওবা— সংসার অসিদা মীওইবগী অচুম্বা মওং মতৌ অদু মাওঙ্গে। মীওইবা পুম্নমকনা মশা মশাগী অশোয়বশিং অদু খঙজবা ঙমদ্রে। মশাগী শক্তম কাওবা খঙজবা ঙমদ্রে। মখোয় অসিবু মতৌ কমদৌনা শেংদোকনি ? মকম অসিদা লৈহৎনা ঐহাক করিগু কায়দে। ঐহাক ইশামক্তীদমক্তি ইতোমতা অচীকপদা লৈজরুবনা অখোঙ্গ-বনি। নত্তে, ঐহাক্না মখোয়গী অঙাওবা মওং অসিগী মরক্তা লৈহৎনা মখোয়গী মতুং ইন্দুনা ইশাগী শান্তি অসি করিগীদমক মাঙহল্লুদগে ?

"প্রসঙ্গ খঙহনবা য়া"

অদুগা মসিগী মতুংদা অঙাওবা অদু হিমালয় চীংগী মাইকৈরোমদা থুনা য়াংনা চৎচল্লে। মহাক্না চৎলিবা লম্বী অদু অমমম্বনা করিগুম্বা অমতা উবা ঙংখিদ্রে। মহাক সুংগাই মরক্তা খুদি থিরহৎনা কোংগুৎ লৈকুৎতা তুরা তুরহৎনা খুদোং থীনা থীনা অসুম অসুম য়ৌশিনল্লে। ইখং হেক খঙহৌদনা খুদক্কুদা মঙানগী শরুক খঙনা খঙঙান হেক ঙানখোরকই। অঙাওবা অদু মমিৎ খঙউই উইশিনখি। মহাক খোং থাংগদবা হেক চিংনখি। মতম অদুদা মহাকী নাকোংদা ফেলবা খোঙ্গেল অমা তারকই।

অচুম্বা মীগী খোজেল—

চৎলিবদো কদায়দনো মীওইবা,
থাদোক্লগা সংসার অসিবু ?
মীপাইয়োইদবনি মায়োক্লবদা ;
থাদোকলগা হিংচাবা লমচৎপু ।
লৈখা তারি মনুগী মচা মীওইবনা,
নোংম নোংমগী ধর্ম্ম অমদি কর্ম্মদগী,
অচুম্বা লম্বীদা পুরকউ, নহাকনা মখোয়বু
অথুম্বা রাভাং অমদি প্রেমা ।
থীগনু নশাদগী মুংঙাইবা, করিগুম্বদা
নতোমতা লৈহনা, নথৌ লৈরি নহাকী,
নহাকী মালেম থকশিদা মীওইবশিংগী মরক্তা ।

মঙাওবা— ইসঃ মসি করি ওইরিনি মঙান অসি ? অদুগা মেংলবা খোজেল অসি ? কনাগী খোজেলনো মসি ? মসিদমু মায়া তৌরিব্রা ? করিগুম্বা লৌনম তৌরিব্রা ?

[নোংথক্কগী লাউনা নোক্লুনা অচুম্বা মীওইবনা হায়রকই]

অচুম্বা মী (খোজেল)—হা, হা, হা, মাইকৈ পুরমক্তা নহাক্তা মায়াজাল অমদি লৌনমমক্তা ওইনা উরে । অদুগা মহুদা নহাকীম্ব নয়াল লৈতে । সংসারদা মীওইবগী লৈখাতাবা ফিবম অসি উরগা চিংনবা পোকপা হায়বসি হৌনশানি । হৌজিক মতমগী মীওইবা অসি মশাগী অচুম্বা শক্তম

অহু মাঙহন্দুনা মঙং ইকায় কায়রে। অহুমওইনমক মখোয়দা শাউবা অমস্থুং হুংগোইবা তৌরোইদবনি। মখোয়বু ঙাকপিগদবনি অমস্থুং স্থংশিবিগদবনি। মশাগী মমল নাইজ্রবা লন মনিং মথা তন্না আম্বাবু চাউথং- হনবগী অধিকার অহু মাঙহল্লগা মীওইবা অসি মেচিন ওইরে। হিংচাবগী শক্তিশিংনা মহাকপু অপাম্বা মঙদা চংহল্লি। ঐহাক্তি অচুম্বা মীওইবনি। সংসারনা ঐহাকপু থাদোকপা মতম অহুদগী পীতুং পাতংপা অমা ওইনা নোংদোন থক্তা কোইপাই পাইহনা লৈরিবনি। মরক মরক্তা মহাবীর, বুদ্ধ, ইসা অমস্থুং গান্ধীগুম্বা থৌনা ফবা অমদি শক্তি লৈবা মহাপুরুষশিংদগী মতেং ফংই। মখোয়না মীওইবগা ঐহাক্কা অমুক হন্না মরী লৈনবা হোংলৈ। মরম অসিনা ঙসি কাওথদা ঐহাক্না আশা চাউনা লৈবা ঙমলিবনি। ঐহাকনা অরেপ্পা ওইনা থাজে নোংমদি মীওইবনা মশাগী অরানবা শোয়দনমক থঙলকখিগনি অমস্থুং ঐহাকপু মখোয়না য়ারকখিগনি। নহাকস্থ নীংবা কায়হনা সংসার অসিদগী থাপ্না চেনখিগন্থু হায়রবদি মখোয়গী লম্বী তাকউ। মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুরকনবা হোংলৌ। মহাক মহাকনা নীংজরিবা অচুম্বশিং অহু ফংনবা হোংনবা হায়বশি মীওইবগী অথোঙ্বা থর্মনি।

[অকীবগী মশক ওইরবা খোঙ্জেল অমগা লোয়ননা তুমিন লৈখি]

"প্রসঙ্গ থগুহনবা রা"

অসিগুম্বা ফর্গগী ওইবা পাউত্তাক্না অত্তাওবগী রাখল অহু মক্ক কংনা পুম্মাং মাগুহনখ্রে। অনৌবা আশা অমম্বুং অরেপ্পা থৌনা পুরম্ননা মহাক অমুক হন্না সংসার-মোমদা হন্নকলে।

অত্তাওবা— নত্তে, ঐহাক চংলোই ; সংসারবু থাদোকত্না কন্নি-গুম্বা মকমদা ঐহাক চংলোই। ঐহাক সংসার অসিদা থবক তৌগদবা য়াম্না লৈরি। ঐহাক্না লমজাওনরবা মীশিংবু মগুান উৎকনি, মহাকপু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্ক্বা ঐনা কন্না হোৎনগনি। মীওইবা নহাক্কী মগং ইকায় কায়রে। নখোয় লৈথা তারে। ঐহাক্না নখোয়গী পুক্নিদা মগং কায়রিবশিং অহু শোয়দনা হোংদোকহনগনি ; নখোয়গী সংসারবু মগং ওম্বোকহনগনি। নখোয়বু অচুম্বা "মী" ওইনবা হোৎনবদা ঐহাক ইশামক মাগুলবম্নু মাগুজপ্রসম্নু। ইশা ইত্তোমতগী সুংডাইবা থিনবগীদমক ঐহাক হৌজিক হিমালয় চিংদোন কাওবা চৎকে নিংল-য়োই। মশীং-লাকপা ওমজবা মীওইবশিং অসিবু শেং-দোকপা লোইরগা ঐহাকনা শান্তি ফংগনি— "ঐহাকী মহৈ য়ানবা ওইগনি—ঐহাকী সুংডাইবা ওইগনি"।

মতৌ অহুম্না অরেম্না আম্মাবু থাজবগা লোইননা লিল-থোংবনা থম্নবা সংসারলোমদা অমুক হন্না থোং থাংলকই।

লোইরবা